

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, FEBRUARY 8, 2017 PAGE 7




শগোলশেন নুমিত্তা হাইদরবাদতা বংলাদেশকী মায়োক্তা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ অমখক্কী সেরিজদা স্পীন্নর অমিত মীস্রাগী মহুৎ শীনগদবা চীনামেম বোল্লর কুলদীপ য়াদব

নাকল অনীগী ওইবা য়াম্নবা অমনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ ) না লৈবাক পোকপা নুমিত্তা ওফিসিয়েল্লি মফম লৌথোক্লে হায়না লাওথোকখ্রবা ইন্দিয়াগী য়ু–১৭ ৱাল্ড কপ কোচ নিকোলাই অদাম

## ৬ শুবা কে ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা এল এফ কে এফ সি মিজোরামবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (এ এম এফ এ) গী মীৎয়েং ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ) , জিরিবাম না শীন্দুনা জিরিবাম গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগাউন্দ দা মপানগী য়াওনা টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌখিবা ৬ শুবা কে ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট, ২০১৬–১৭ গী ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা মেটচতা মাইবোং এস এ লাক্তবদগী নাকো (ইম্ফাল ৱেষ্ট) না ৱাল্ক–ওভর ফঙখ্রে। অদুগা ঐচ আই এস য়ু থৌবাল সেমি ফাইনেল চংখরে।

হয়েং শান্নগদবা ক্কার্টর ফাইনেল কী অহানবা মেটচ জে পি সি অগর্টালাগা এস এ কে (ইম্ফাল ৱেষ্ট) শান্নগনি অদুগা অনীশুবা মেটচতনা চিরু স্পোর্টিং ক্লবকা কে পি এস সি, ককচিংগা শান্নরগনি হায়রি। ঙসি শান্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা মেটচতা মাইবোং এস এ লাক্তঃবদগী নাকো (ইম্ফাল ৱেষ্ট) না ৱাল্ক–ওভর ফঙখ্রে। অদুগা ঐচ আই এস য়ু থৌবাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। অনীশুবা মেটচকী শান্নখিবা অদুগা ঐচ আই এস য়ু থৌবালগী গোলশিং অদু এন ওলেন না ৭৭ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা এল সুরদরনা ৮০ অমদি ৮৩ শুবা মিনটতা গোলশিং অদু চনখিবনি। রেফরিনা ঐচ আই এস য়ু থৌবালগী শান্নরোই এন ওলেন বু ৫৩ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি অদুগা এল এফ কে এফ সি মিজোরামগী শান্নরোই লালরিনৌমা বু ৪৬ শুবা অমদি ৮৯ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ ফঙবগীদমক তাহ্নোকখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু জি য়েল বি,পি ঐচ লম্হোইবা,টি ঐচ ইবুংঙো অমদি কে ঐচ নিলাকোমল সিংহ না সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক্ট তৌখি।

## অরাম্বম বোবী সিংহ অমসুং লৈমাপোকপম সনাতোম্বী চনু অনীবু তরান্না ওকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

বোদি বিল্ডিং মশান্নদা মিস্তর ৱার্ল্ডগী মিংথোন ৫ রক লৌরক্লবা অরাম্বম বোবী সিংহ অমসুং ৱার্ল্ড ব্নুসু চেম্পিয়–ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফঙলক্লবী লৈমাপোকপম সনাতোম্বী চনু অনীবু তরান্না ওকখ্রে।

য়ুনাইতেদ জিম মণিপুর, কে বি বি জিম অমসুং প্রভাবতি ফিতনেস সেন্তরনা শীন্দুনা ঙসি নাওরেমথোঙদা লৈবা ইপাথৌ–খোক শঙলেন্দা পাঙথোক–খিবা ওকপগী থৌরমদা অমজুগী

প্রসিদেন্ত ৱাংখেমচা শামজাই,য়ু জি এমগী প্রসিদেন্ত তি ঐচ এলেক্স, এদিস্নেল এস পি (ওপ্স), ইম্ফাল ৱেস্ত এদিস্নেল এস পি (ওপ) ডাঃ এস ইবোমচা, বি বি এ আই দব্লিউগী চীফ এদভাইজর এ কে ইবোমচা, মণিপুর ব্নুসু এসোসিএসনগী সেক্রেতরি এম বিরমণি অমসুং এ মৈরাবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। বোদি বিল্ডিং মশান্নদা মিস্তর ৱার্ল্ডগী মিংলেন মঙারক লৌরক্লবা বোবী সিংহ অমসুং ৱার্ল্ড ব্নুসু চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্লবী লৈমাপোকপম সনাতোম্বী চনু অনীদা অচম্বা খুদোলশিং তমদুনা ইকায়খুম্নবা উংখি। তুংদা এ বোবীনা কম্পিতিসনদা উংখিবা পোজ ৭ মীয়াম মাঙদা উংখি।





## টি–২০ সিরিজ অহুম্মক্তা মায়থীখ্রবা মতুং অলষ্টর কুক ইংলেন্দগী টেষ্ট কেপ্টেন ফম থাদোকখ্রে

*লন্দন, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

হন্দক ইন্দিয়াদা লাকখিবা টুরদা ইংলেন্দনা টেষ্ট, ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ওদিআই) অমসুং টি–২০ সিরিজ অহুম্মক্তা মায়থীখ্রবা মতুং অলষ্টর কুক ইংলেন্দগী টেষ্ট কেপ্টেন ফম থাদোকখ্রে অদুবু টেষ্ট ৫৯দা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইনা থৌ পুখ্রবা কুকনা টিমদা মখা তানা প্লেয়র অমা ওইনা য়াওখিগনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দনা লাউথোকখ্রে।





পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১২গী অগষ্ট থাদা কেপ্টেন ওইনা খনখিবা কুকনা ইংলেন্দবু টেষ্ট মশিং খ্বায়দগী য়াম্না লুচিংবা কেপ্টেন ওইরি অমদি মহাক্কী রেকোর্দশিংগী মনুংদা ২০১৩ অমসুং ২০১৫দা এশেস লৌখিবা অদুগা ইন্দিয়া অমদি সাওঠ অফ্রিকাগী মায়োক্তা সিরিজ থোইখিবসু য়াওরি। মসিদসু নত্তনা কুকনা ২০১০দগী ২০১৪ ফাওবা মহাক্কী টিমবু ওদিআই মেটচ ৬৯দসু কেপ্টেন ওইদুনা ইংলেন্দগী অনৌবা রেকোর্দ অমা শেমখি।

মশাগী চহি ৩২ শুরবা ওপনিং বেটচমেন অসি মমাঙদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ওইরম্বশিংদগী টেষ্ট সেঞ্চুরি হেন্না লৌবদা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা টেষ্ট ১৪০ শান্নখিবদা রন ১১,০৫৭কা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা টেষ্টকী রন স্কোররসু ওইরিবনি। মসিদসু নত্তনা কুকপু ২০১২দা ৱিসদেন ক্রিকেটর ওফ দি ইয়র, ২০১৩দনা আইসিসি ৱার্ল্ড টেষ্ট কেপ্টেন অদুগা ২০১১দা এমবিই পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবা মতুং হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সিবিইসু পীদুনা শকখঙখি।



*ইতিহাসিক ওইবা শান্নবগী খোঙচত্তা দিল্লিগী বেটসমেন মোহিত অহ লৱাটনা টি–২০ দা রন ৩০০ লৌবা ঙমখ্রে*

## অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ ২০১৭ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

ৱাইখোম লৈকায় ফুটবোল কম্মিটি না শীন্দুনা ৱাই এ সি অমদি দব্লিউ বি এস দগী মীৎয়েং মখাদা দব্লিউ এ সি গী গ্রাউন্দ গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পুন্না টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ৫ দগী চৎথবা হৌদুনা অহানবা মেরিনা স্পিং কপ ২০১৭, ৭– এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৩ শুবা মেটচতা আর এফ সি খন্নাম লৈরক্না এ টু জেৎ শিংজমৈ ফৌওইবীবু ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৪ শুবা মেটচতনা মাম্মা এফ সি শাংগোলবন্দ না এস দি সি শামুরৌবু ৭–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। হয়েংগী নুংথিল পুং ১ দা এস ই ৱাই ও শিংজমৈ অমদি এস বি আর এফ সি নোংদমগা শান্নরগনি অমদি পুং ৩ তাবদা মতমদনা থিনুঙ্গৈ অমদি এফ দি সি শিংজমৈগা শান্নরগনি।



## অনুরাগ থাকুর, অজে শির্কেনা লৌশিল্লম্বা বোর্দ ওফিসিয়েল খরা লৌথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

হান্না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী (বিসিসিআই) প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অনুরাগ থাকুর অমদি হান্নগী সেক্রেটরি অজে শির্কেনা লৌশিল্লম্বা বোর্দ ওফিসিয়েল খরা সুপ্রিম কোর্টনা খনগৎতুনা শেমখিবা কমিটি ওফ এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা (সিওএ) নিংথৌকাবা নুমিৎতা মফম লৌথোকখ্রে।



কুমজা ২০০৮গী জনুৱারি ৭তগী ২০১৩গী মে ২২ ফাওবা ১১ শুবা কম্পট্রোল্লর এন্দ ওদিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া ওইনা থৌ পুরম্বা ভিনোদ রায়না লুচিংবা মেম্বর মরিনা শাবা পেনেল অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট বোর্দকী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটরশিং ওইনা খনখিবদগী অচৌবা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। পনবা য়াবদি, মমাঙ থা জনুৱারি ২দা অনুরাগ থাকুর অমসুং অজে শির্কেবু সুপ্রিম কোর্টনা মখোয়গী ফমদগী লৌথোকখিবনি।

অমরোমদনা, চৈরক অসিদা ইন্দিয়ন ক্রিকেট দ্রেসিং রুমগী অরোন অথুপ পাউশিং অনুরাগ থাকুরদা ফংহল্লি হায়বগী মরাল শীরিবা টিম ইন্দিয়াগী মেদিয়া মেনেজর নিশান্ত অরোরাসু মশাগী ফম থাদোকখ্রে হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

নিশান্ত অরোরানা দ্রেসিং রুমগী অরোনবা ৱারি পুম্বা হান্নগী প্রসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরদা ফংহল্লি হায়না ইন্দিয়ন টিমগী সেনিয়র মেম্বর অনিনা মুম্বাইদা লৈবা বিসিসিআইগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরকখি হায়না পল্লদুনা ''মেদিয়া মেনেজর লৈরিবসি ঐখোয়গী থবক লায়থোকহন্নব্রা নত্রগা ঐখোয়বু নুংঙাইহন্দনব্রা – অরোনবা ৱারি পুম্বা মপানগী মীয়ামদা কনানা খঙহল্লি হায়বসিগী মতাংদা শান্নরোইশিংগী মরক্তসু থাজনদবা লৈরে। মেদিয়া মেনেজরগী মথৌদি মেদিয়াগী থবক অদু চলাইবনি অদুবু অরোরাদি দ্রেসিং রুমগী মনুংদা, টিমগী হরাউবা ফোঙদোকপা মতমদা অদুগা প্লেয়িং ইলেবেনগী মতাংদা টিমনা খন্নরকপা য়াওনা মফম খুদিংদা হেক্তা লৈরম্মি'' সেনিয়র প্লেয়র অমনা ফাঙদোকখি হায়নসু সোর্স অদুনা মখা তাখি।

অদুমকপু হৌজিক ফাওবা অনুরাগ থাকুরগী সোসিয়েল মেদিয়া একাওন্ট শিং শেন্নবগী থৌসু পুরি হায়না থাজনরিবা অরোরানদি মঙোন্দা শীরক্লিবা মরালশিং অদু অরানবনি হায়রদুনা মহাক্না হান্নগী বিসিসিআই প্রসিদেন্ট অসিদা মনুংগী অরোনবা ৱা অমত্তা য়ৌহনবা লৈতে হায়না ফোঙদোক্লি।

## বার্সেলোনানা এঠলেটিকো মেদ্রিদপু অমুক্কা হন্না মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা থংনা–থংননা মরিরক শুবা ওইনা ফাইনেল চঙনবা মিংয়েং থল্লি

*মেদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ৭ঃ*

লৈবাকপোকপা নুমিৎ কেম্প নৌদা শান্নগদৌরিবা কোপা দেল রেগী অনিশুবা সেমি–ফাইনেল লেগ মেটচতা য়ুম্বু বার্সেলোনানা এঠলেটিকো মেদ্রিদপু অমুক্কা হন্না মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা থংনা–থংননা মরিরক শুবা ওইনা ফাইনেল চঙনবা মিংয়েং থল্লি। পনবা য়াবদি, মমাঙ চয়োলদা শান্নখিবা অহানবা লেগ মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়নসু ওইরিবা বার্সেলোনানা এঠলেটিকো মেদ্রিদপু গোল ২–১দা খুদুম চনশিল্লমখিবনি।



হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ এঠলেটিকো মেদ্রিদকী ভিসেন্ট কাল্ডেরোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা লুইস স্বারেজ অমসুং লিওনেল মেসিনা অঙকপা মওং দা গোল অমমম চনশিনখিবদগী টাই অসিদা বার্সেলোনাবু মথক থংনা লৈহনখি। মসিদসু নত্তনা থাংজ নুমিৎতা এঠলেটিক বিলবাওবু গোল ৩–০দা মায়থীবা পীখিবা লা–লিগাগী মেটচতগী স্বারেজবু পোখ্নাহনখিবদা নত্তনা মেসিসু সিজন অসিদা মহাক্কী ৩১ শুবা গোল চনখ্রবা মতুং অরোয়বা মিনিট ২৫ ফিল্ডদগী লৌথোকখিবনা বার্কাগী মরূ ওইরবা শান্নরোই অনিমক লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মেটচ অসিগীদমক চপ চানা পোখ্নাবগী মতম ফংহনখি।

পনবা য়াবদি, বার্সেলোনানা চহি অহুমগী মনুংদা অনিরক শুবা ওইনা লিগ, কপ অমদি চেম্পিয়ন্স লিগকী টাইটল অহুম্মক অমুত্তঃদা ফংনবা হনবা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবনি। অদুমকপু মমাঙগী মেটচতা সস্পেন্দ তৌখিবদগী ব্রাজিলগী সুপর ষ্টার অমদি বার্সেলোনাগীসু থৱানমিচাক অমা ওইরিবা নেমারদি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী মেটচ অসিদা শরুক য়াবা ফংলরোই। মসিদসু নত্তনা লিওনেল মেসিসু এঠলেটিকো মেদ্রিদকী মায়োক্তঃ য়েল্লো কার্ড অমগা অমুক ফংলবদি ফাইনেলদা শান্নবগী খুদোংচাবা ফংলোইদবনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অসুক্কি মতিক চেকশিনবগী তঙাই ফদবা লৈরি।

য়ুম্বু টিমগী ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জেরার্দ পিক অমদি রফিনহাসু য়াওদবা য়ানা লৈরি। থাংজ নুমিৎকী মেটচতা পিকতি মফাইগন্দা অশোকপা নংখিবদগী হাল্ফ মতমদা মপান থোক্লকখি অদুগা রফিনহাসু বার্সেলোনাগী গোল কিপ্পর মার্ক এন্দ্রে টের ষ্টেগেনগা থেঙ্গাইনখিবদগী মনাতোন কায়খি। অদুম ওইনমক স্পেনগী মমিং লৈরবা মিদফিল্ডর অনি – এন্দ্রেস ইনেষ্টা অমসুং সর্গিও বুস্কেটসতি অশোকপা নংলুবদগী ফগৎলত্তুনা মেটচ অসিদা বার্সেলোনাগীদমক অমুক হল্লক্লবা য়ানা লৈরি।

অমরোমদনা, এঠলেটিকো মেদ্রিদতি অহানবা সেমি–ফাইনেল লেগ মেটচকী অনিশুবা হাল্ফতা ফর্নান্দো টোরেসপু পুশিল্লকখিবদগী বার্সেলোনাদা য়াম্না চাউনা শীংনখি অমদি ফ্রান্সকী ইন্টরনেসনেল এন্টোইন গ্রেজমেননা গোল অমা হন্দোকখিবদা নত্তনা টোরেস অমসুং কেভিন গামৈরোসু লোইরমদাই শরুক্তা গোল চল্লমগদবা খজিত্তঃদা ৱাৎখি। হান্না লিভরপুল অমদি চেলসিগীসু ষ্ট্রাইকর ওইরম্বা টোরেসতি মহাক্কী মশক থোকপা মশান্না অদু মখা তানা পুথরকখিবদগী মমাঙ চহিগী সেপ্টেম্বর থা মতুং লা–লিগাদা অহানবা গোল চনবা ওইনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা লেগানেসপু ২–০দা মায়থীবা পীখিবদা গোল অনিমক চনশিনখিবনি।

দৈগো সাইমনগী এঠলেটিকো মেদ্রিদনা কেম্প নৌদা অরোয়বা ওইনা বার্সেলোনাবু মায়থীবা পীখিবসি কুমজা ২০০৬তনি অমদি ফর্নান্দো টোরেসনা ক্লব অসিদা লাকখিবা অহানবা সিজনদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা স্পেনিস ইন্টরনেসনেল অসিনা গোল অনিসু চনশিনখিবনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অনিশুবা সেমি–ফাইনেল লেগ মেটচ অসিদা টোরেসনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়না থাজনরি।

এঠলেটিকোগী টিমদা সস্পেন্দ তৌখ্রবা কেপ্টেন গাবি য়াওররোই অদুগা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী মরালদা ফাজিল্লুরবা দিফেন্দর লুকাস হর্নান্দেজসু নোংমাইজিং নুমিৎকী ট্রেনিংদা হল্লকখ্রবসু ফ্রান্সমচা অসি সাইমনগী টিমদা মফম ফংলদবা য়ানা লৈরি।

পনবা য়াবদি, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদৌরিবা অতোপ্পা সেমি– ফাইনেলগী অনিশুবা লেগ মেটচতনা অলাভেস অমসুং সেল্টা ভিগো মায়োক্লগদৌরিবনি। টিম অনি অসিনা অহানবা লেগ মেটচতা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখি।